# চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯(ঐচ এন এস):** অন্ধ্র প্রদেশনা য়ুম্বু ওইরগা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ১৫ রক শুবা হোক্কি ইন্দিয়া জুনিয়র ৱিমেন্স নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ দিভিজন-বিদা মণিপুরগী নুপী হোক্কি টিমনা মায়থীবা অমত্তা য়াওদনা পুল এগী ৱিন্নর ওইদুনা দিভিজন-এদা ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবা মতুং ঙসি ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতা থুংলবদা মণিপুর হোক্কিগী থৌ পুবশিং অমদি মীয়াম্না তরাম্না ওক্তুনা পুক্নিং থৌগৎখ্রে।



হোক্কি ইন্দিয়ানা শীন্দুনা থা অসিগী ১দগী হৌরগা অন্ধ্র প্রদেশকী কাকিনাদাদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস ওথোরিটি গ্রাউন্দগী সিন্থেটিক হোক্কি টর্ফতা পাঙথোকখিবা নেশনল হোক্কি চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা পুল এগী শান্নখিবা লিগ মেটচশিংদা মণিপুর হোক্কিনা মথংশিংনা কেরলা হোক্কি, হোক্কি উট্টরখন্ড, লে পুদুচেরি হোক্কি অমদি অসাম হোক্কিবু মায়থীবা পীরম্লগা পুল এগী ৱিন্নর ওইদুনা দিভিজন-এদা চঙবা ঙমখিবনি।

নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী টিম অদু মোইরাংথেম প্রেমেশ্বরনা টিম মেনেজর ওইদুনা লুচিংখিবনি। মণিপুর হোক্কিগী থৌমীশিংনা শান্নরোয়শিং অদুবু লেংয়ান ফী অমদি লৈ পরেং খুদোল তমখি।

# মহারাষ্ট্রদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেশনল যোগাসনা চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াগদবশিং খনখ্রে

**ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (এজেন্সী):** থা অসিগী ২৯ দগী হৌরগা ৩১ ফাওবা মহারাষ্ট্রনা য়ুম্বু ওইদুনা নাগপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৭ রক শুবা নেশনল যোগাসনা চেম্পিয়ন্সিপতা মণিপুর টিম রিপ্রজেন্ট তৌগদবা শান্নরোয়শিং খনখ্রে।



হীরম অসিগা মরী লৈননা মণিপুর যোগ সোসাইটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কঙাবম য়ুমজাও লাইরেম্বী মল্টিপর্পজ কম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা অনীরকশুবা মণিপুর যোগসনা চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫ অমসুং ট্রাইএল সিলেক্সন পাঙথোল্লবা মতুং শান্নরোয়শিং অসি খনখিবনি।


যোগ এথলিট ৯০ রোম্না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অমদি ট্রাইএল সিলেক্সন অদুদা খল্লবা শান্নরোয়শিং অদুদি এম য়াইঙম্বা, পি মৈতৈকনবা, টি ঐচ নেন্সি, পি ঐচ দেবিয়া, লনচেনবী, পি লানেলিনা, এস রোক, দব্লিয়ু রাজেস, এল জেলিন, এন মালেমসনা, এন পারি, কে এস ঐচ লুসিয়া, টি ঐচ হিয়াইনু, এ থাদোই, টি ঐচ পিরু, এন প্রাচি, টি ঐচ রাজু, এন দিরু, ঐচ লনচেনবা, কে য়াইখোম্বা, দব্লিয়ু সিলভিয়া, এস রিসিকুমার, এম রোবিন্সন, এন এন্দি, এ সুসমিলা, এম রোজিপ্রিয়া, কে এস ঐচ রোসনি, ও নিনিতা, এল অনিলকুমার অমসুং এস ফিলিপনি হায়রি।







## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1559

**WFM Olesia Vlasova (2085) - Anastasiya Kvachko (1906)**
**74th ch-RUS HL w 2025 Lipetsk RUS, 2025.06.29**

1.d4 e6 2.c4 d5 3.Nf3 c5 4.cxd5 exd5 5.g3 Be6 6.Bg2 Nc6 7.O-O h6 8.a3 Nf6 9.Nc3 cxd4 10.Nb5 Bc5 11.b4 Bb6 12.Nbxd4 O-O 13.Bb2 Rc8 14.Rc1 Ne4 15.e3 Nd6 16.Nxc6 bxc6 17.Ne5 Qe8 18.a4 f6 19.Nd3 Nc4 20.Bd4 Bxd4 21.exd4 Rc7 22.Re1 Qc8 23.Nf4 Bf7 24.Bh3 Qb7 25.Rb1 Re7 26.Bf5 Rfe8 27.Rxe7 Qxe7 28.b5 c5 29.dxc5 Qxc5 30.Rc1 d4 31.Bb1 Qa3 32.Qc2 f5 33.Rf1 Nd6 34.Qc7 Ne4 35.Bxe4 fxe4 36.Qxa7 d3 37.Qd4 Qe7 38.Rd1 Bb3 39.Rd2 Qc7 40.Kg2 Qb7 41.Kg1 Qc8 42.Kg2 Qg4 43.Qe3 Bxa4 44.Rxd3 Bxb5 45.Rd6 Bd7 46.Qb3+ Kh7 47.Qf7 Rd8 48.h3 Qf3+ 49.Kg1 Be8 50.Qf5+ g6 51.Qf6 Rb8 52. ...

**QUESTION :** White to win

**Puzzle 1558 Solution :**


**40. Rd8 fxe3**

*40...Qf6 41.Rxf8+ Qxf8 42.Qe5+ Kg8 43.Nxg4 Qxa3+ 44.Kg2*

*40...Rg3+ 41.Qxg3 fxg3 42.Rxf8+ Kg7 43.Ne6+ Kh6 44.Ng4+ Kh5 45.Nf4#*

**41. Rxf8+** *Intermediate check* **Kg7 42.Ne6+** *Intermediate check* **42. ...Kh6 43. Nxg4+** *The white knight captures Black's rook, which was defending the square f4.* **Kh5 44.Nf4#**

**1-0**




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com